হুইয়েন লানপাউ

ইরাই, ওগষ্ট ২৩, ২০১৯, ইম্ফাল

৪৩শুবা চহী, ১৪৫শুবা মশীং

## হেলিকোপ্টর সর্ভিস অমুক হন্না হৌদোকখিবা

### তুং-কোইনা চৎনহন্দুনা মীয়ামদা মপূং ফানা কান্নবা ফংহন্নিংই

মতম খরা লেপ্পূরবা মতুংদা অমুক হন্না মণিপুরদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকপ্তে। হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমীৎতা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকখিবনি। লম্বী-থোংগী খূদোংচাবা অমসুং চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈবা মীওইশিংদা কান্নবা ফংহন্নবগী পান্দমদা ইম্ফালদগী জিরিবাম, মোরে অমসুং তমেংলোং ফাওবা গ্লোবল ভেক্ট্রা হেলিকোর্প লিমিটেদনা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌরগনি। ইন্দিয়াগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা প্রাইভেট হেলিকোপ্টর কম্পনিনি হায়রিবা গ্লোবল ভেক্ট্রা হেলিকোর্প লিমিটেদনা মণিপুর লৈঙাক্কী ট্রান্সপোর্ট দিপার্টমেন্টকী মখাদা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌদুনা মীওই কয়াদা কান্নবা ফংহল্লগনি হায়না থাজনরি। মতম খরা লেপলরবা মতুংদা নৌনা অমুক হেলিকোপ্টর সর্ভিস লোঞ্চ তৌবগী থৌরমদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, লম্বী-থোংগী ফীভম ফৎতবা মরম্না চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিংনা চৎথোক-চৎশিন তৌবদা খূদোংচাবা কয়ামরুম মায়োক্নরি। লম কোয়রকপা মীওইশিংনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা য়েংবদা শীজিন্নগদবা হেলিকোপ্টর সর্ভিসসু অথুবদা হৌদোক্কনবা থৌরাং তৌরে। উরান-টুগী মখাদা য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফের্সনা ইম্ফালদগী পার্বুং অমদি থানলোন ফাওবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌনবগী অয়াবা পীরক্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ইম্ফাল-মন্দলে ফ্লাইট সর্ভিস অথুবদা হৌদোক্নবা থৌরাং তৌরি হায়না পল্লদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, মণিপুরদগী তোঙান-তোঙানবা ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা সর্ভিস তৌরিবা দোমেষ্টিক ফ্লাইট মশীং হেনগৎহনবা হোৎনরি। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা অনৌবা রনৱে অমসু শেমগৎলগনি হায়রি।

পনবা য়াবদি, মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ১১দা অহানবা ওইনা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকখিবনি। অৱাং-নোংপোক লমদমদা এয়র কনেক্টিভিটি ফংহনবগী পান্দমদা জিরিবামগী হরিনগর হেলিপেদতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা চীফ মিনিষ্টরনা ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা সর্ভিস তৌগদবা মণিপুর হেলি সর্ভিস হৌদোকখিবনি।

মমাঙ চহীগী ওক্টোবর ২৯দা ইম্ফাল ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টতা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদনা ইম্ফালদগী মোরে অমদি ইম্ফালদগী তমেংলোং ফাওবগী হেলিকোপ্টর সর্ভিস হৌদোকখি। ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবগী হেলিকোপ্টর অতোংমল লুপা ৩০০০ ওইরগা ইম্ফালদগী মোরে অমসুং ইম্ফালদগী তমেংলোং ফাওবগী অতোংমলনা লুপা ২০০০ ওইখিবনি। অচঙবা শেনফমগী চাদা ৭৫ য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফের্সনা পুথোক্লগা ষ্টেট লৈঙাক্না চাদা ২৫ পুথোক্তুনা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌরম্লবসু তুং কোইনা চৎথবা ঙমখিদে। তুং কোইনা সর্ভিস তৌদুনা মীয়ামগী অৱাবা কোকহনবদি লায়রদনা চাং নাইনা হেলিকোপ্টর সর্ভিস তৌবা ঙমখিদে। সর্ভিস হৌবদা ঙায়রিঙৈদা মমাঙ চহীগী সেপ্টেম্বর ২৫ দা মীওই কয়ানা নুমীৎতুগী অয়ূক পুং ৯.৫০ দা পাইগদবা ফর্ষ্ট ফ্লাইট অমসুং নুংথিল পুং ২.৫৫ দা পাইগদবা সেকেন্দ ফ্লাইটকী টিকেট কল্লগা জিরিবামগী হরিনগর হেলিপেদতা মতম কুইনা ঙাইদুনা লৈরবসু নোং-চীংগী ফীভম ফৎতে হায়বগীদমক ইম্ফালদগী হেলিকোপ্টর পাইরক্ত্রে হায়দুনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌখি। অদুবু কোন্না থিগৎনরুবা মতমদা নোং-চীংগী ফীভম ফৎতবদগী ফ্লাইট কেন্সেল তৌবা নৎতে, ইম্ফালদগী জিরিবাম ফাওবা হেলিকোপ্টর তোংবীনবা মীওই অমত্তা লাক্তবনা ফ্লাইট কেন্সেল তৌবনি হায়বা খঙনরকখি। অকোনবদা টিকেট কল্লুবগী শেনফম হনে দাকহনখিবা তারবসু নুমীৎতুদা মীয়াম্না হেলিপেদতা খাঙখিবা অৱাবা অমদি নুমীৎ চুপ্পা মতম মাঙখিবগী থৌওং অদু ঙসি ফাওবা কাউনদ্রি। উরে দেশকা আম নাগরিক (য়ু দি এ এন) স্কিমগী মখাদা অৱাং-নোংপোক্কী মফম ১৬তা হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহন্নবগী থৌরাং লৌখৎলে হায়না লাউথোক্লম্লগা মপূং ফানা থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। উখ্রুল, সেনাপটি অমদি চুড়াচান্দপুরনচিংবা মফমদসু হেলিকোপ্টর সর্ভিস লৈহনবগা লোয়ননা চীংগী মনুং হঞ্জিনবা মফমদা লৈরিবা মীওইশিং অনা-অয়েক য়াওরকপদা খূদক্কী ওইনা অনা-লায়েংগী খূদোংচাবা ফংহন্নবগী পান্দমদা ফ্লাইয়িং দোক্টরস (এয়র এম্বুলেন্স সর্ভিস) লৈহল্লগনি হায়না লাউথোকখ্রবসু থবক্তা ওন্থোকপা ঙমখিদে। ফ্লাইয়িং এম্বুলেন্সতি লায়রদনা ইম্ফালদগী তমেংলোং, জিরিবাম অমদি মোরে ফাওবা পৱন হন্সনা পায়খৎলম্বা হেলিকোপ্টর সর্ভিস ফাওবা হৌখিবা ফেব্রুৱারী ১০দগী অদুম্মক লেপখ্রে। পাইলোট লৈত্রে হায়বগীদমক হেলিকোপ্টর সর্ভিস লেপখিবগী থৌওং অদু হন্দক্কী মতাং অসিদা অমুক হন্না থোক্তনবা হোৎনহন্নিংই।

## এডিটরদা থারকপা চিঠি

### তোঙান-তোঙানবা মণিপুরগী বস ষ্টেন্দশিংদা টোইলেট অমদি ঈশিং থক্নবা মফম থম্বীনবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

ঙসি ইম্ফাল সহরদতা নত্তনা মণিপুরগী তোঙান-তোঙানবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী কৈথেল কয়া লৈরি। কৈথেলশিংগী মনাক্তা বস ষ্টেন্দ লৈ। ইম্ফাল, ককচীং, মোইরাং, শুগনু, চুড়াচান্দপুর, উখ্রুল, মোটবুং অসিনচিংবা মফমশিং অসিগী বস ষ্টেন্দশিংদা ঙসি ফাওবদা পেসেঞ্জরশিংনা খোঙ হাম্নবা, মপান থোক্নবা অমদি ঈশিং থকপগী খুদোংচাবা অমত্তা লৈতে। লোয়ননা বস ষ্টেন্দশিংদা পেসেঞ্জরশিংনা চারম-থল্লম্বগী মকুশিং অমদি বোট্লনচিংবা কয়া মফম চাদনা লংথোক্লম্বা থেংনরি। অমরোমদা মফম খুদিংমক্তা লূ-নান্না লৈনবগীদমক্তা স্বাছ অভিয়ান প্রোগ্রাম চথরি। মরম অসিনা স্বাছ অভিয়ানগী পান্দম ফংননবা বস ষ্টেন্দশিংদা খোঙ হান্ফম, মপান থোকফম অমদি পোৎ চারগা চেথি-চেগুম অমদি অহাংবা বোট্রল হুন্দোকফম শেম্বীদুনা মীপূম খুদিংমকপু নাদ-য়েক্তনা লৈননবা লৈঙাক্কী মীৎয়েং চিংশিঞ্জরি।

*অদোমগী - ডা. এল কুলচন্দ্র*

*কেন্দ্র প্রমুখ, বিশ্ব সংবাদ কেন্দ্র, মণিপুর*

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০২

১। মণিপুরগী পুৱারীদা ওগষ্ট ১৩ অসি সনাগী ময়েক্না ইদুনা লৈহৌরনি। নীংশিংগদবা ময়ামগী মনুংদা ‘ময়াংখাং’ দা মেলভিন সাহেবপু হাৎখিবা চিরাই নাগাসু অমনি।
(ক) ‘ময়াংখাং’ কৌখিবসি করিদগী কৌখিবনো?
(খ) ময়াংখাং অসি মতমদুদা করম্বা নাগা ত্রাইবকী সব-দিবিজন্নো?

২। “জীব হাৎতুনা চাবা মীদি মুসলমানতবু নত্তে, হিন্দু থিদে, হিংচাবনা পানবা থমোয়নি।” ৱাফমসি মহাকবিনা হায়রম্বনি। মাগী করম্বা লাইরিক্তা হায়রম্বনো?

৩। “নহাকপু নাউশুম ঈশৈ/শক্না শক্না ঐনা/...শুম্লক্লিবা করম্না নহাক্না ঐবু।” ৱাহৈশিং অসিনা কবি বিরেন্দ্রজিৎনা শৈরেং অমদা হায়রিবনি। লাইরিক্তুগী মমিং হায়য়ু।

৪। “অমম্বা মপৈ মপৈগী/মনুংদা/লৈহৌই অপীকপা/খোঙলম্বী অমদি/খোঙ্গুল শেংফাত্তনা।” ৱাহৈশিং অসিনা অইবী অমনা ‘মঙগী মচুশিং’ কৌবা লাইরিক্তুগী শৈরেং অমদা হায়রিবনি। অইবীদু কনানো?

৫। “মৈতৈ নোংশা মমিংতা ঙায়রে/পাঙ্গল য়াওদ্রে মীপাল তাংলে/চহী তৎলে খোংবা ঙমদ্রে।” পরেংশিংসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# মহৈরোয়শিংগী বোর্ডিং : গভর্ণমেন্ট অমদি মমা-মপাশিংগী মীৎয়েং কদোমদা চৎলি

অওনবা মালেম

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

ক্যামগৈ লৈহাও লৈবা লম অমনি হায়নবদু মনা-মশিং থাবখক্তা নৎত্রবা মাল্লে মহৈরোয়শিং লৈনবা বোর্ডিং অমদি প্রাইভেট স্কুল লিংখৎপদসু লৈহাও লৈরমাল্লে। মদুনা ওইবা তাই মফম অয়াম্বদা বোর্ডিং হেক্তা লৈবা উরিবসি। বোর্ডিংগী সাইন বোর্দ য়াম্না উবা ফংলে লৈরক কোন্সাং কয়াদসু। অহানবদদি বোর্ডিংসি স্কুল অমগী মনুংদা লিংখৎপা উরম্মী। শম্না হায়রবদা স্কুল অমা লৈত্রবদি বোর্ডিং লিংখৎনরমদে। অদুবু ঙসিদি স্কুল লৈত্রবসু বোর্ডিং য়াম্না লিংখৎনরক্লে। মসিসু বোর্ডিংগী লৈহাও য়াম্না লৈরে হায়বা তাবনি। বোর্ডিংনা মফম অমদা অদুগা স্কুলনা মফম অমদা লৈরে। অদুবু কান্নবা, ওইজবা ফংদ্রবদি পিক্লবা য়ূম অমদসু বোর্ডিং করম্না লিংগনি। বোর্ডিংনা পীরিবা কান্নবসিনা করি অদুগা কনাদা করি কান্নবা পীরিবা হায়বদুসু য়েংবা য়াই। মসিসু থিজিনবা য়াবজাৎনি। করিগুম্বা কান্নবা পীদ্রবদি বোর্ডিং থম্লুবগী করি ৱাহন্থোক লৈ?

বোর্ডিং লিংখৎলিবসি মহৈরোয়শিংবু মহৈ হৈহনবদা মতেং পাংবা ঙম্নবরা নৎত্রগা অথাপ্পা মফমদগী মহৈ তম্বা লাকপদা লৈফম লৈতবদগী খরদা ওইরবসু মহৈরোয়শিংগী মতেং পাংনবা হোৎনবা হায়বদুরা হায়বদু য়েংবা য়াই। অদুগা অমরোমদনা স্কুলগা নক্না লৈবা মহৈরোয় কয়াসু হৌজিক্তি বোর্ডিংদা য়াম্না লৈনরে। য়ূম লাপ্পা নৎত্রগা নকপগী ৱাফম নৎত্রে মসিদি। বোর্ডিংদা লৈরবদি মহৈ হৈরনি হায়না খনবগী মওং অমনি। থৌওং অসি মহৈরোয়শিং অমদি মখোয়গী মমা-মপাশিং অয়াম্বনা অফবা, অচুম্বনি হায়না লৌনরি। হৌজিক্তি মসি য়াম্না চাউবা চৎনবী অমা লমদমসিগী খুন্নাইদা লৌনরে। য়ূমদা লাইরিক পাবা য়াদে হায়বা চৎনবী অমসু লৈরে। মসিনা মরম ওইরগনি লাইরিক পাবা য়াবা মফম থিরকপদা বোর্ডিংদা তোপ লাউনা তারে হায়বসি মহৈরোয় কয়া অমদি মখোয়গী মমা-মপা কয়ানা লৌনৈ। মচাবুদি মহৈ হৈহনবা পাম্বনিনা বোর্ডিংদা মচাদুবু থম্লুরে। মমা-মপাগী অপাম্বখক্তবুদি নত্তে বোর্ডিংদা থম্বগী ৱাসি। মহৈরোয়শিংগীসু অপাম্বনি। মশুং-মমান্নবা কয়ানা বোর্ডিংদা লৈবগী ৱারীদু তম্বদা মশানা পাম্বদগী মমা-মপাদা মাগীসু য়ানবা তক্লরিবনি। তুং-মাং কয়া তরেৎ তরা থোক্লা য়েংদনা মীগীসু তৌনরে, মীগী মচা-মশুশিংনা মহৈ হৈবা হেনখিদুনা ঐখোয়গীনা শোথদুনা লৈহৌবা তারে খল্লগা বোর্ডিংদা থম্বা কয়া য়াওরি। য়াওরি নত্তে অয়াম্বনা মদুনি। অতোপ্পা মওং অমদনা থবক চিনবা মমা-মপা কয়ানা মচাশিংবু বোর্ডিংদা থম্বগী চৎনবী অমসু লৈতবা নত্তে। থবক চিনবা হায়বসি অতৈ করিসু নত্তে প্রাইভেট ট্যুসন তৌরবনিনা মচাশিংসু থিন্দো-থিনজিন তৌনবগী মতম ফংদবা, ফংলবসু মদুবু তৌনীংদবা মমা-মপাশিংনা মচাশিংবু বোর্ডিংদা থম্বগী ৱাখল অসি লাকই। বোর্ডিং হায়বসিমক্তবু স্কুলগা নক্লবা মফম অমদি ট্যুসন/কোচিং তৌফম মনাক নক্না হেক্তা লিংখৎলি হায়বসি মীয়াম্না উবা ফংনরে।

বোর্ডিংদা লৈরগা মহৈরোয়শিংনা কয়া য়াম্না লাইরিক পাগদৌরিবা হায়বা ৱাফম অমা থোক্লকই। বোর্ডিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক পারিব্রা নৎত্রগা করি চারি, মতম চানা তূম্লিব্রা, মতম চানা হৌগৎলিব্রা হায়না কূপ্পা য়েংশিনবিনবা কনা লৈরি হায়বসিনি য়াম্না মরু ওইবসি। য়েংশিনবীনবা মী লৈরবসু অপোকপা মমা-মপামক্না য়েংশিনবিবা অদুমক্না য়েংশিনবিবা ঙমগদ্রা হায়বসিসু অচৌবা ৱাহং অমনি। মী অদু তোলোপ ফংলগা তৌবা মথৌ অমনি। মহাক্কীসু মথৌ অদুগী মনুং চন্না তৌবা য়াবা নৎত্রগা য়াদবা নৎত্রগা তৌবা ঙমদবা হায়বা ঙমখৈ অমদি শোয়দনা লৈগনি। মাগীসু ইমুং-মনুং, মচা-মশু লৈরিবনি। মখোয়দুগা মান্নবা য়েংবসু ঙম্লোই। বোর্ডিংদা লৈবা হায়বসি লমদমসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়াদগী লাকপা মহৈরোয়শিং ঙাক্তনি। য়ূম্নাক মান্নবা নত্তে। ইমুং-মনুং মান্নবা নত্তে। চায়োক-নাউয়োক অমত্তা মান্নবা নত্তে। মদুগুম্বা মহৈরোয়শিংদু বোর্ডিংদা পূন্না লৈমিন্নবা মতমদা ৱাখল মান্নদবা, তৌথোরকপা থবক কয়া মান্নদবা মশানা তাবনি। মদুগুম্বা মান্নদবা ময়াম অদুনা পূনশিল্লক্লগা ৱাথোক থোক্লকই। মদুদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তা উং-খৎনবা থোক্লকই। মদুদগী অসুম ৱাখল মীৎয়েং মান্নবা মহৈরোয়শিং অমুক পূনশিন্নদুনা নাকপাক তানবগী থৌওংসু লৈরিবনি। মদুনা খৎন-চৈনবগী থৌদোক থোক্লকই। বোর্ডিংদা লৈবা হায়রিবা মহৈরোয়শিং অসি নুপামচাশিং অমদি নুপীমচাশিং অনীমক য়াওরবনি। মসিগুম্বা ফীভম অসিদা বোর্ডিং মনুংদা লাইরিক পাননবগী ফীভম হায়বদু ওইরক্তে। মতাং অসিদা হায়নীংলিবদি বোর্ডিংদা লৈরগা করম্না লাইরিক পাবা হেনগৎলক্কনি, মহৈ হৈবা হেনগৎলক্কনি হায়বসি করম্না অচুম্বা ওইগদৌরিবনো?

বোর্ডিংগীসু মহৈরোয়শিংগী য়াইফনবা চৎন-পথাপ কয়া অমা শেমদুনা থল্লিবনি। মহৈরোয়শিংনা তৌবা য়াবা-য়াদবা কয়া ইদুনা মশাদা, মমা-মপাশিংদা অইবা চে ওইনা পীদুনা লৈরিবনি। অদুবু চৎন-পথাপশিং অদু চপ চানা ইন্দুনা চৎনহনগদবা থবক লৌখৎনবা শেন্নবা মী অদুনি য়াম্না মরু ওইরিবসি। হায়রিবা থৌওং অসি মণিপুরদা হাংলিবা বোর্ডিংশিংদা চপ চানা চেকশিন্না শেন্নবা য়াওদে হায়বা য়াই। মরম অদুননি বোর্ডিংদা লৈবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ হৈবগী চাং ৱাংখৎলক্তবসি। অমরোমদা মহৈ হৈবগী হায়বদি লাইরিক হেন্না পানীংবগী চাং ৱাখৎলকপগী মহুত্তা খৎন-চৈনবা, মীশি-মীনাগী চাং ৱাংখৎলকপা উবা ফংনরক্লিবসি বোর্ডিংদা য়েংশিনবগী চাং ৱাৎপদগীনি। বোর্ডিং লিংখৎপগী পান্দম অতোপ্পা মায়কৈ অমরোমদা চৎখিবদগীনি। শেন্দান লম্বী ওইনা লৌনরকপদগী থোক্লকপা থৌদোকনি। মহৈরোয়শিং থম্বদা মতিক চাবা বোর্ডিং ওইরবরা হায়বদু থোইদোক্না য়েংদে। গভর্ণমেন্টনসু য়েংশিন্দ্রে। মচাশিং থমগদৌরিবা মমা-মপাশিংনসু বোর্ডিংগী ফীভম থোইদোক্না য়েংনদে। বোর্ডিংনিবু হায়রবদি মচা লাইরিক হেন্না পারগদবগুম খন্নে, ময়ূমদা লাইরিক পাবা য়াদবা মচাদু বোর্ডিংদা থম্লবদি পাবা য়াগনি হায়না খন্নে। সাইনিক স্কুলগুম্বদি নত্তে বোর্ডিংশিংদু। সাইনিক স্কুল ফাওবা ফনা ৱারক চেৎপনি অদুমক্তদা মথোং হুক্তবা মহৈরোয়শিং য়াওরক্তবা নত্তে। লম লাপ্পদগী লাকপশিংগীনা অতোপ্পা মরম অমনি। অদুবু অনকপা মফমদা লৈবশিংনা বোর্ডিংদা থল্লিবসিদি অতৈ মরমগী নত্তে, মচা-মশুশিংদু মহৈদা মথ্বায় য়াওবা মহৈরোয়শিং অয়াম্বা নত্তে। হেক পোকচবা মচাদুনা মহৈ হৈনবা, লাইরিক্তা থৱায় য়াওনবা মমা মপাদুনা অয়াবদা মপূক্নিং খোয়জংদ্রবনি। য়ূম অমত্তদা অয়ূক্কী নুমিদাংগী লৈমিন্নরিবা য়ূম অমগী মনুংদা তূমিন্নরিবা মমা-মপাদুনা কুপশেন-শেন্নদুনা লাইরিক পানবা, মী ওইনবা তাকপদফাওবা লৌদবা মচাদুনি বোর্ডিংদা থম্লগা খরা ফরকপা য়াই হায়দুনা থল্লিবসি। লম কয়াদগী মদুগুম্বা অঙাংশিংদু বোর্ডিংদা পুল্লপ পুনশিন্দুনা লৈবা মতমদদি বোর্ডিং পান্নবা মীদু মশানা নাথৈখিবা তাবনি। মমা-মপাগী মীৎয়েং মখাদা থম্বা হায়বসিমুক ফবা লম্বী অমা লৈতে মরুওইনা হায়বা ইন্দবা মচাশিংগীদমক্তদি। মশানা মহৈ হৈনীংবা লাইরিক পানীংবা অঙাংশিং/মহৈরোয়শিংদদি ময়ূমদা লৈনীংগনি বোর্ডিংদা লৈরগা লাইরিক পাবা ৱাগনি হায়বসি মশানা খঙজগনি। হৌজিক বোর্ডিংদা মমা-মপানা থল্লিবা মহৈরোয়শিং অসিদি ময়ূমদা লাক্নবা ৱারবা মহৈরোয়শিংনা অয়াম্বনি হায়বসু হায়মনবা থোক্লোই।

বোর্ডিংদা মচা-মশুশিং থম্বসিদি মমা-মপাগী থৌদাংসু য়াম্না য়াওই। মমা-মপা ৱাখল য়াম্না খন্থহন্নীংই। অঙাং অদুনা বোর্ডিংদা লৈনীংই, মমান্নবা-মমান্নবীশিংসু লৈরে হায়রগসু মচা-মশুগী ফীভম য়েংবা য়াম্না মথৌ তাই। অঙাং অমা বোর্ডিংদা থম্বা হায়বসিদা শেল কয়া য়াম্না চংখ্রবনো? চংলিবা শেনফম অদুনা কান্নবা পুরক্ত্রগদি করিদি কান্নরি হায়বসি খন্থবা চুম্মী। অফবা হায়বদা চংদ্রবা অঙাং অদুবু শেল চংনা বোর্ডিংদা থম্লগা চুমথোরকক্দ্রা হায়বসি খন্থবা চুম্মী। অপোকপা মমা-মপাসু নত্তবা বোর্ডিংগী মীদুনা কয়া য়াম্না কৎথোক্লা থবক তৌরক্কনি? ময়ূমদগী মওং তাদ্রবা অদুবু উবদা পূম্নমক তনখ্রনি। ময়ূমদা অদুম লৈহনবনা ফৈ। করিগুম্বা শিবা নাবা য়াওরগদি ইমুং-মনুংগী মাঙজবখক্তনি। য়েংশিনবা ৱাৎলবা বোর্ডিংদা লৈবা অফবা অঙাংশিং লৈমিন্নবা, চামিন্নবা, তূমিন্নবা অঙাংশিংগী মওং মতৌ উবদা ইনখৎলকপা/ইন-খৎলকপী অঙাংশিংগী মপূক্নিং ওল্লকপসু য়াওদবা নত্তে। মহৈ তম্লিঙৈ পুন্সি হায়বসিদি লাংবা, নুংঙাইবা পাম্বা মহৌশানি, তাইবঙ মপুগী খূৎশেমনি। বোর্ডিং লিংখৎপশিংসু শেন্দাল লম্বীখক্কী ওইনা লিংবা তৌরিবনি। খুন্নাই অসি চরাংনহল্লি। গভর্ণমেন্টসু মওং মরীল তাদনা পৎলিংদা লিংখৎলক্লিবা বোর্ডিংশিং অসিদা লমদমসিগী মীয়ামগী য়াইফনবা খল্লগা চুনবা থবক অথুবদা লৌখৎপীবা ফৈ নৎত্রবদি গভর্ণমেন্ট কোক য়াম্না শাগনি। ভোট থাদবা মীয়াম্না ৱারৌরক্কনি গভর্ণমেন্টতা। গভর্ণমেন্ট স্কুল য়াম্না ফগৎহন্দবসিনা বোর্ডিং মশীং য়াম্না লিংখৎলকপগী মরম অমসু ওইহল্লি। ●

# অরানবদা হৈনবা কাঙবুশিংগীসু মতম শোয়দনা লাকখিনি

মতম মতমগী ৱাফম

**সেঞ্জম দেবেন**

ইরমদম মণিপুরগী মতমসিগী ঈচেলসি কদোমদা চেন্থগদৌরিবনো খনবদা মম্মী। লন্নাইগী ৱাথোক, লৈবাক্কী ৱাথোক, লমগী ৱাহৌ, মীগী ৱাহৌ, লৈঙাক্কী ৱাখল্লোন্না কদোমদা, লৈবাকসিগী মীচম-মীয়ামগী অনীংবনা কদায়দা, থেংনরিবা ফীভমসি করিনো, ঙকপগী পন্দোন লোম্লে। কনা লাক্লগা ইরমদমসিদা অচুম্বা ৱায়েন য়েনবীরগনি? খনবদা মমদে হায়বা য়ারিব্রা? লমদমসিগী মতমসিগী ঈচেলসি থিংবদদি শোয়দনা ৱাঁরনি। ৱাথোক অমত্তসু ইরমদমসিদা নিংথি-নুংঙাইনা খক শন্তাইনদুনা য়ানবা পুরকখিবা থেংনদে। ৱাথোক অমত্তগী ৱারোইশিনসু নিংথি-নুংঙাইনা খক উবা ফংদে। ৱাথোক্কী মরোলনা লমদমসিদা অতৎ-অখম লৈতনা লোনশিল্লকই, অচুম-অরানগী ৱায়েলনা পরিং চুম্না পাঙথোকপীনবা অমত্তসু লৈতে। পূম্নমকসি খল্লুরগা ইরমদমসিদা, থোকপদা ওইথোক্লোইদৌবা ৱাথোক অমত্তসু লৈশিল্লক্লরোইদব্রা খল্লি। ঐখোয়গী অপিকপা ইরমদমসি চাওখৎপা ষ্টেট অমা নৎত্রগা অচৌবা ষ্টেট অমমম নৎত্রবসু, ৱাথোক-লান্থোক্তদি মীওই মখল শুনা লৈবা, ইন্দিয়াগী অচৌবা, পাক চাউরবা ষ্টেট অতৈদগী খক হন্থদে। লমদমসিগী ক্রাইম হোল্ডরশিং ৱারক্লুরগা থোইনা হেন্নদুম খোঙ্গুন তাদবা হেঞ্জিল্লকই, চৈরাক পীর-পীরগা মশাদা য়াওবা ফত্তা লৌশিংগী চাং হেঙ্গৎলকপগুম তৌই। ফীভমসিদা করিনো, লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু পান্থে অমত্তংদি পুথোকপীরকপা চুম্লবরা খল্লি। ৱাফমসিমত্তং লৈঙাক্কী মফমদা মচঙ ওইনা থমজনীংই।

ইরমদম মণিপুরদা থোক্লিবা ৱাথোকশিংগী মশীংনা য়াম্মনখিবনা, করম্বা ৱাথোকপু হান্না মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা, ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনগদগে হায়বসি অরুবা ৱাফম ওইরক্লি। খনবদা মম্মী। অসুক্কী মতিক মণিপুরদা ৱাথোক মশীং য়াম্মী। লৈঙাক্কী থাক্তা থোকপা ৱাথোকশিংগী মনুংদসু মণিপুর ষ্টেটকী বাউন্দরিদা শিংনরকপগী ৱাথোকশিং পনবা য়াই। অৱাংলোমদা এন এস সী এন (আই-এম) না মণিপুরগী লম মখৈ লৌশিন্দুনা নাগালেন্দ ষ্টেটতা পূনশিন্নবা হোৎনরক্লি অমসুং মখা মায়কৈদনা, বর্ম্মাগা তাইনবা শরুক্তা য়ুংবা বাউন্দরি পিল্লরশিং ইরমদম মণিপুর রোম থংবা শরুক্তা লম হেঞ্জিন্না চঙশিল্লক্তুনা য়ূম্বী মখোঙ হোংজিল্লক্লি। ৱাথোকশিংসি মণিপুরগী ওইনদি খ্বাইদগী চাউবা ৱাথোকশিং ওইরিবনি। হৌজিক ফাওবদা ৱারোইশিনগী মমি অমা ফাওবা তাদ্রিবা ৱাথোকশিং ঙাক্তনি। অৱাংলোমগী ওইবা ৱাথোকসিগীদমক্তি, মণিপুরগী চল্লবা মীচম-মীয়াম ১৮গী থৱায়শিংসু পোন্থা ওইনা কৎ-খ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবদা ৱাথোকসিগী মৈরীদি খক নেমথবা তৌদ্রি। ৱাথোকশিংসিগী ৱারোইশিন কনানা পুরক্কদৌরি? ৱাহংসিগী পাউখুম খুন্বীনবা মীশক অমা ফাওবা ঙসি ফাওবদা মণিপুরগী লৈমায়সিদা মীয়াম্না উগে ফংদে। মণিপুরদা থোকপা ৱাথোকশিং মশীং থিবা ঙমখিরোই। হৌজিক-হৌজিক মণিপুরদা ফোং-ফোং শানা থোক্লিবা মীচম-মীয়ামগী মরক্তা থোকপা লৈবাক-ৱাথোকশিংগী মতাংদসু, য়ূমগী য়ূম্থুরেম্বী ওইবী মীচম নুপী অমগী মীহাৎতা, ‘রেখা মীহাৎ’ অমদি চহী নৌজরিবী মহৈরোয় ‘বেবীসনাগী মীশি’ গী মতাংদসু চপ-চানা চেন্নবা মীশকশিং মতম কয়া হৌখ্রবসু মণিপুর লৈঙাক্না ঙসি ফাওবদা ময়েক শেংনা পুথোকপা ঙমদ্রি। ফীভমশিংসিদা, মণিপুর লৈঙাক্না হৌজিক তৌগদৌরিবসি করিনো? মতম-মতমগী য়ান-য়ানবা মওংদা, ঙম্ন-ঙম্নবা চৎকনি হায়বগী ৱাখল্লোন্দা মণিপুর লৈঙাক্না ফিরেপ ওইনা লেপ্পদি খক চুম্লোই হায়বসি মণিপুর মীয়ামগী অচেৎপা থাজবনি। মথক্কী ৱাথোকশিংসি নত্তবা, ইরমদম মণিপুরগী ওইবা অপূনবা খোঙজংশিংগী মনুংদা, অকনবা খোঙজং কয়ামরুম অমা হঞ্জিন-হঞ্জিন চঙশিনখ্রবসু ঙসি ফাওবগী মনুংদা পান্দম ফংবা ঙমদনা লৈরিবা তোঙান-তোঙানবা খোঙজংশিং কয়ামুক অমসু লৈরি। খোঙজংশিংদুগী মনুংদা, মণিপুর মীয়ামগী ‘আই এল পি দিমান্দ’ গী খোঙজং অমদি ‘মণিপুরগী মীতৈ/মৈতৈশিংবু সিদ্যুল ত্রাইবকী ষ্টেটস’ তা অমুক হন্না হঞ্জিনহনবীয়ু হায়বনচিংবগী খোঙজংশিংসি পনবা য়াই। খোঙজংশিংসিসু মণিপুর লৈঙাক্কী ওইনা য়েংলুরগদি ৱাথোক ঙাক্তনি। ৱাথোকশিংসিগী মতাংদসু মণিপুর লৈঙাক্না খঙশিন-উশিন্নদনা, পোথাদুনা, তুমিন্না লৈথোকপা চুম্লোই হায়বা ৱাফমসি মণিপুরগী মীয়াম্না লৈঙাক্তা থল্লিবনি। ফীভমশিংসিদা মণিপুরগী মীয়াম্না, মণিপুর হায়বা লমদমসি তংদু-লৈতানা লৈবা, ঈং-তপ্পা লমদম অমা পাক ওইরক্কনি হায়বসি থাজবা পোক্নদ্রি। মণিপুরসি লো লৈতবা লমদম অমা ওইনা চহী লিশাং শিৎনা লেনগদৌরিব্রা হায়বা ৱাহংসিসু হংনদবা নৎত্রি। ৱাহংশিংসিগী পাউখুমগীদমক ঙসিদি মণিপুরগী মীয়ামসু লৈঙাকখক ঙাইদনা করিনো-করিনো হায়বদু তৌবা য়াবা খরদি তৌমিন্ননবগীদমক লেপমিন্নবা মথৌ তাই, লেপসু লেপমিন্নরি। মীয়ামগী ওইবা খোঙজংশিং নত্তবা, লন্নাইগী ওইনা লম হেন্নবদগী থোক্লকপা লন্নাই ৱাথোকশিংদদি মণিপুরগী মীয়াম্নসু মণিপুর লৈঙাক ঙাইদনা অরানবা কাঙবুশিংবু মতুং-মনাও তৌহন্দনবা ৱারক-ৱাতেম্বীদুনা ৱারোইশিনশিং পুরক্লবা হোৎনবীবা য়াই। নত্তদুনা শুপ্নগী মণিপুর লৈঙাকখক্তমক ঙাইবনদি ইরমদমসি অতেনবা মতমগী মনুংদা খক ঈংনা-চিক্না অমসুং তংদু লৈতানা পানবা লম হায়বদু ওইরকখিরোই।

নাকল অমরোমদা, ইরমদমসিদা নোংমা কাংদনা থোক্লিবা ৱাথোকশিংসিনা ইরমদমসিগী ষ্টেজ পূম্নমক্কী মীওইশিংদা অকায়-অতোয়শিং কয়ামুকসু লেপ্তুনা থোকহল্লি। মসিগী মহয়না, মণিপুরগী ষ্টেজ অয়াম্বগী মীওইশিংগী মকোক্তা ৱাখল লায়নাশিং নাবা হৌরকহন্নবগী মচাক অমমমসু ওইহল্লি। পিক্লিবা অঙাংশিংদা মতিক মপা চাদনা অকি-তুজুংবশিং ফাওহনবনা মখোয়গী নৌরিবা ব্রেনশিংদা ফিয়র সাইকোসিসকী ওইবা লায়নাশিং চেলহল্লকই। পিক্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অসিগুম্বা মখলগী লায়নাশিং মায়োক্লখিবা অঙাংশিংগী ব্রেন্না চাউরক্লবা মতমদসু লায়নাশিংদু খক কোক্কন্দে অমসুং অফবা ব্রেনশিং ওইগন্দে। ৱাফমশিংসি চুম্নগী মপান্থোংগী থৌদৌ খরা খক্তদমক হায়বনি। তশেংনা মতিক চাবা মেদিকেল প্রাক্টিসনর অমগী চপ চাবা মিৎয়েংদা হায়রবদি অঙাংশিংদসু, অহল্লোনশিংদসু, খুন্নাইগী ওইবা অকি-তুজুংবা পোকপা য়াবা ৱাথোক-লান্থোকশিংনা থোকহনবা সাইদ-ইফেক্টশিংসি অসুক্কী মতিক য়াল্লমগনি। মণিপুরগী ৱাথোক-লান্থোকশিংনা তশেংনা মণিপুরী খুন্নাইসিবু চাওখৎ লম্বেলদা য়েংবদসু থিন্থহল্লি। চুম্না থিন্থহনবদা নত্তনা লায়রবা কাঙবুশিং, শূজ-নোমজরগা নোংমগী চারা তাঞ্জরিবা মীওইশিংগী মফমদদি অসুক্কী মতিক অৱাবদা অৱাবা পীরি। লৈবাক ঈরাংনা মরম ওইরগা ইরমদমসিদা নোংমা-নীনি খক বন্দ তৌখিবদা থাগী ওইনা শেন্দোয় নৎত্রগা রেন্ট লৌগদবগী ঙাইরিবা শেল নৎত্রগা রেন্ট শান্দোক্লিবা ইনাকখুনবা মপুশিংদুগী মফমদদি অহোংবশিং নৎত্রগা মাঙজবশিং অমত্তসু লৈতে। মাঙজরিবশিংদি শুপ্নগী, মথক্তা পঞ্জখ্রিবা নোংমগী চারা তাল্লগা হিংজরিবা, নোংমগী তাঞ্জরকপা খূৎশুমলনা নোংমদুগী চারা নোংখন্নজরিবা, খুন্নাইসিগী খ্বাইদগী হন্থবা থাক্তা হিংজরিবা মীওই কাঙলূপসিনি। লৈবাক্কী ঈরাংনা কনবনা মখোয়গুম্বা লায়রবশিংসিগী চৈনাদি কনানসু খঙবী-উবীদে। তশেংনমক্তি থৌদৌশিংসি পাল্লিবা লৈঙাকসিনসু উশিনবীফম থোকপনি। ইলেক্সনগী মতমদা লায়র-ইনাকখুনবা অনীমক্কী ভোটকী ভেল্যু মান্নখিবনি হায়বসি মতমসিগী লৈঙাকশিংনা নীংশিংবীদে। অহোয়নদুম লায়রবদগী লায়ররবা মীচম-মীয়ামগী ভোটশিংদি অপিকপা শেনফম খরখক্লা লৈরগা লোইরে খন্দোকই। তশেংবনি, ঙসিগী খুন্নাইসিদা লায়রবশিংগী মফম লৈতে হায়নবসি অচুম্বমক্লি। থৌদৌশিংসি কোনশিল্লগা পূন্না য়েংবা মীৎয়েং অমদদি লৈবাক-ঈরাং হায়বসি অসুক্কী মতিক লায়রবশিংগী মফমদা চাংদম্নীংঙাই লৈতবা মওংদা অচৌবা য়েক্লবা অমনি। মরমসিনা, নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনমক্কী খুন্নাইসিদা মরম চাদনা লৈবাক ঈরাং থোকহল্লিবা, মীকি-লাইকিদবা, অৱাবা মশক খঙদবা, তৌনীংবদা তৌবা ঙম্বা লমহেনবা মখোয় খুদিংমক্কী মথক্তা, নোংমগী চারা তাল্লগা হিংজরিবা, কনামতদা করিমতা হায়জবা ঙমদবা, লায়রবা মীওই কয়াগী মীৎলুদগী শিন্থুরকপা পিরাংশিংদু হৈথরকফম থোকই।

অচুম্বনা পোলোই ওইবা তাইবঙ মপুগী ৱায়েলদি মতম শাংনা চংই। মীনুংশি মশক খঙদবা অথোয়-নাপল কাবা মীওইশিংবু অচুম-অরানগী মশক খঙজনবা শেম্বীবা মপুনা মখোয়দসু ৱাখল তারক্লবগী মতম শাংনা পীবি। পূম্নমকসিনা মরম ওইরগা, অচুম্বনা অরানববু মায়থীবা পীনবা হোৎনবদা শোয়দনমক্কী মতম খরা শাংনদি চঙনরি। অদুম ওইনমক, অচুম্বা হায়বা পোৎশকসিতনা মতম লৈবা খিবিক্তা মায়দি শোয়দনা পাক্কনি। ঙসিগী খুন্নাইসিদা, অরেম্বদা ঈরাং শাগৎলিবা, মশাগী অরানবা পোফম কয়াবু লোৎশিন্দুনা থম্লগা, অচুম্বা মীওইশিংবু নমদুনা অরানবা তাহনগে খল্লিবা, মীপোক-মীহিংবা ঙম্বা, খুন্নাইসিগী তৌবা ঙম্বা মীওই খুদিংমক, তাইবঙ মপুনা মখোয়বু মরালনা মপোৎ ফারকপা মতমদু ঙাইদুনা লৈরিবনি হায়বসি ঙসিগী অরানবা তৌরিবশিংসিনা ময়েক শেংনা খক খঙদে। মসিমক মরালগী চৈরাক্কী শরুক অমা হায়বদু ফংবা হৌরক্লিবা ওইরমগনি। ●